ꯋꯥꯌꯦꯜ ꯀꯥꯇꯤ WAYEL KATI Evening Newspaper

# ৱায়েল কাতি

Vol. 2, Issue 072 | RNI NO. MNMAN/25/A1111 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং-৩৪২৩-২৪ | ইম্ফাল, থৱান ১১ নি, নোংমাইজিং , ওগষ্ট ২৩ , ২০২৬ ইং | মমল লুপা ২।-

## এস পালাল গুৱাহাতি সেন্ত্রেল জেলদা পুখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী ত্রোংলাওবীগী য়ূম অমদা বোম কাপশিন্দুনা অঙাং ২ হাৎখিবগী কেসতা চেন্নবনি হায়না এন আই এনা ফারবা য়ুনাইটেদ কুকি লিবরেসন আর্মি (য়ু কে এল এ)গী ফাইনান্স সেক্রেটরি এস পলাল এলাইজ লালবোই সিংসোন গুৱাহাতি সেন্ত্রেল জেলদা থম্নবা ঙসি এন আই এগী টিম অমনা ইম্ফালদগী পুখ্রে হায়রি।

## থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ওগষ্ট ২২দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ওদিটোরিয়মদা 'রিসেপ্পিং দ পোলিটিকেল অপহিভেল ইন মণিপুরঃ ইস্যুজ এন্দ চেল্লেঞ্জেস' হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা পিপলস কনভেন্সনদা মতেং পাংলকখিবা পূন্নমকপু ফেন্দরেসন ওফ সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স)মণিপুরগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। লূপ অসিগী মেদিয়া সব-কম্মিটিগী কনভেনর অসেম শরতনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হেন্না শাফবা, পূন্না হিংমিন্নবা, পূন্না চাউখৎমিন্নবা অমসুং নুংশি চান্ননা মরা তপ্না পানবা মণিপুর অমা শেমগৎমিন্ননবগী পান্দমদা পিপলস কনভেন্সন পাঙথোকখিবনি।

## থৌ পুবা খনখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মণিপুর লোল, ময়েক লিটরেচর অমদি কলচর য়োকখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লিবা পেত্রিওটিক্স রাইটর ফোরম মণিপুরগী স্পেসিয়েল জেনরেল বোদি মিটিং অমা ঙসি অয়ূক মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ফোরম অসিগী কুমজা ২০২৬তগী ২০২৯ ফাওবগী থৌ পুগদবা একজিক্যুটিভ কম্মিটি মেম্বর ১১ খনখ্রে। নাওরোইবম খম্বা লুৱাংনা প্রসিদেন্ট, পুখ্রম্বম বিপ্রচান্দনা ভাইস প্রসিদেন্ট, রাকেশ নাওরেমনা সেক্রেটরি, দেবজনি য়ূম্নামনা ত্রেজরর অমদি লাইমুজম প্রতাপনা এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে। লোয়ননা ওইনাম মেরা, লেনিন খুমনচা, অরিবম অজিৎকুমার শর্ম্মা, নবকুমার ওইনাম, ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম অমদি রামেশ্বর লাইশ্রমবু ফোরম অসিগী একজিক্যুটিভ মেম্বরশিং ওইনা য়েৎনবা লৈতনা খনখ্রে।

## তেকচমদা মৈরাগী রেল্লি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** তেকচম য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন অমদি তেকচম অপূনবা মৈরা পায়বীনা শীন্দুনা জে এফ দিনা এন আর সি তৌদ্রিঙৈদা সেন্সস তৌবা য়ারোই হায়না চঙশিল্লিবা খোঙজং শৌগৎতুনা মৈরা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে। খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা সেন্সস তৌনবা থৌরাং তৌরক্লিবসি অয়েৎপা অমত্তা লৈতে। অদুবু মণিপুরদা মীতোপ কয়া আইন কায়না চঙশিল্লক্তুনা লৈখিবনা হৌজিক সেন্স তৌরবদি মীতোপশিং অদু লমদম অসিগী সিটিজন ওনখিগদবনা সেন্সস রিপোর্টকী মতুং ইন্না দিলিমিটেসন তৌরকপদা য়েলহৌমীশিংগী ফীদা মুল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈ। মীতোপশিং খন্দোক্লবা এন আর সি হান্না অপদেট তৌরগা সেন্সস তৌবীয়ু হায়বনি ফোঙদোক্ল খি।

## এন দি এনা লৈঙাকপা ষ্টেট, য়ুনিয়ন টেরিটোরি ২২দা ৱান নেসন ৱান ইলেক্সন চৎনহনগদৌরি

### ১৩শুবা মণিপুর এসেমব্লিগী মতম চহী ৩ ওইরকপা য়ানা লৈরি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিনা ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সন বিলগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টরশিংগা ৱারী শান্নরিঙৈগী চৈরক্তা এন দি এনা লৈঙাকপা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ২২গী ওইনদি কুমজা ২০৩৪দা পাঙথোক্কদবা এসেমব্লি অমসুং লোক সভা মীখলগী মতম ঙনখৎলগা কুমজা ২০২৯দা পূন্না পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়না ইন্দিয়ান এক্সপ্রেসকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

মতম অমূক্তদা চপ মান্ননা এসেমব্লি অমসুং লোক সভাগী মীখল পাঙথোকপদা খূদোংচানবগীদমক মতম শুদ্রিবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী এসেমব্লি দিজোল্ব তৌবগী ৱাফম ফাওবা খন্নরি।

করিগুম্বা এন দি এনা লৌখৎলিবা থৌরাং অসি থবক্তা ওন্থোক্তুনা কুমজা ২০২৯ দা এসেমব্লি অমসুং লোক সভাগী মীখল পূন্না পাঙথোকপা তারবদি ১৩শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিবু মতম ঙনখৎনা দিজোল্ব তৌগদৌরি। মণিপুর, গোৱা, গুজরাট, উত্তর প্রদেশ অমসুং




উত্তরখান্দগী ওইনা চহী ৩ ঙনখৎনা এসেমব্লি দিজোল্ব তৌরবা য়াই। নাগালেন্দ, ছাতিগর মধ্য প্রদেশ, মেঘালায়া, রাজস্থান অমসুং ত্রিপুরাগীনা চহী ৪ ঙন্না এসেমব্লি দিজোল্ব তৌরবা য়াই হায়রি।

সোর্স অমা পল্লদুনা ইন্দিয়ান এক্সপ্রেসকী রিপোর্টনা হায়, এন দি এনা লৈঙাকপা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ১১গী এসেমব্লিগী মীখল পাঙথোক্কদবা চহী ২ ৱাৎলি। ষ্টেট ৪ দি ২০২৯দা লোক সভাগী মীখলগা মতম অমুক্তদা পূন্না এসেমব্লিগী মীখল পাঙথোক্লবা হান্নদগী থৌরাং তৌদুনা লৈরে। হায়রিবা ষ্টেটশিং অদুদি অন্ধ্র প্রদেশ, অরুনচল প্রদেশ, সিক্কিম অমসুং ওদিষানি।

ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সন বিলগা মরী লৈননা কুমজা ২০২৪গী দিসেম্বরদা শেমখিবা কম্মিটিনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট লৈঙাক্লা উন্নদুনা মতম অমুক্তদা পূন্না এসেমব্লি অমসুং লোক সভাগী মীখল পাঙথোক্লবগী থবক অসি মায় পাকহন্নবা হোৎনরি।

ৱাখল্লোন অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ২২গী এসেমব্লি ইলেক্সন কুমজা ২০২৯গী জনুৱারীদা মরী লৈনবা গভর্নরশিংনা দিজোল্ব তৌহল্লগা রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপলস এক্ট ১৯৫০গী মতুং ইন্না থা তরুক্কী মনুংদা মীখল পাঙথোক্লবগী থৌদাং ইলেক্সন কম্মিসনদা শীন্নরবা য়াই। বি জে পিনা লূচিংবা এন দি এগী ওইনা খ্বাইদগী মরু ওইবা পান্দমদি দি-কন্সটিট্যুসন (১২৯ এমেন্দমেন্ট)বিল ২০২৪ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিজ লো (এমেন্দমেন্ট)বিল ২০২৪ পাস তৌহনবা হায়বসিনি। বিল অসি পাস তৌদুনা এক্ট ওল্লবদি মতম অমুক্তদা পূন্না এসেমব্লি অমসুং লোক সভাগী মীখল পাঙথোকপা য়ারগনি। খ্বাইদগী ইহান হানবা ওইনা কুমজা ২০৩৪দা ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সনগী থৌরাং চৎনহন্দুনা মতম অমূক্তদা এসেমব্লি অমসুং লোক সভাগী মীখল পূন্না পাঙথোক্পা য়ানবা য়াম্না কন্না হোৎনরি।

## নো এন আর সি, নো সেন্সসকী খোঙজং মায় পাক্ত্রিফাওবা চঙশিনমিন্নসি ঃ কোকোমি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মীয়াম্না চঙশিল্লিবা নো এন আর সি, নো সেন্সসকী খোঙজং মায় পাক্ত্রিবা ফাওবা চোকথবা লৈতনা চঙশিনমিন্নসি হায়না কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি)গী আই পি আর সব-কম্মিটিগী কনভেনর ফিজম শ্যামচান্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, লমদম অসিগী তুংগী মীরোলগী য়াইফনবা অশানবা মীৎয়েংদা লৈবাক অসিদা ঙসি মীতোপ্না পীরক্লিবা শাফু অমদি শীংনবা কয়া অসি থেংনহৌনবগী অচেৎপা ফিরেপ অমদা হৌখিবা চহী খরগী মমাঙদগী কোকোমি অমদি য়ু এন সি অনীনা পূন্না য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা এন আর সি তৌবীনবা মেমোরেন্দম পীশিনখিবা লৈখ্রে। ঙসি ঙসিমকসু চীং অমদি তম অনীগী মীয়ামগী খোল্লাও পুদুনা থবক তৌরিবা সি এস ও কয়ানা নো এন আর সি, নো সেন্সসকী অকনবা খোঙজং লেপ্তুনা হৌখিবা থা খরগী মমাঙদগী চঙশিন্দুনা লাক্লি। হায়রিবা খোঙজং অসি লৈবাক অসিগী তুংগী মরাইবক লেপকদবা অমনি হায়না কোকোমিনা লৌই। খোঙজং অসি পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা তরাই তরাইনা লৌবা চুল্লোই, মতাং মতম চারিঙৈদা মীয়াম্না লাউরিবা তাল্লিবা দিমান্দ অসি নিংথিনা খন্নরগা তুং কোইগদবা থবক লৌখৎপা চুমগনি। অদুঙৈ লৈপাক অসিগী হৌখিবা মীরোলনা ঙসি লৈবাক অসিনা মীতোপকী শাফু শীংনবা কয়াশিং অসি মায়োক্লুরক্কনি হায়বা মীৎয়েং শান্না উবীরমদুনা মতমদুগী পানখিবা লৈঙাকপশিংদা ঈহৌ খোঙজং কয়া চঙশিল্লমখি। অদুবু মতম মতমগী পানখিবা লৈঙাকপশিংনা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী য়ান-য়াননবা চৎখিবনা ঙসিগী ফীভম অসি য়ৌনা লৈবাক অসিনা শোকচিনখিবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী ওইরকখিবা তংদু লৈতাদবা ফীভম, খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ কাঙলূপশিং অমগা অমগা চঙনবা য়াদনা লৈরিঙৈ চৈরক্তা সেন্সস পাঙথোক্লবা হোৎনরিবা লৈঙাক্কী থৌওং অসি য়াম্না ৱাখল খন্থবা ৱাৎপা লৈবাক্কী অমদি মীয়ামগী করিসু খন্দবা ইচম চম্বা প্রোসেস অমনি খনবা মানবা লৈঙাকপশিংগী থৌওং অসিদি য়াম্না লানগনি। মীয়াম্না খোঙজং চঙশিল্লিবা লাউরিবা কয়া অসি লৈবাক অসিনা চৎনরিবা লোগী ৱাংমদা নত্তে। লোদা য়াওজরিবশিং অদু শীজিন্নরগা থবক তৌবীয়ু হায়বনি।

মসিদা লৈঙাক্লা মশাগী মথৌ নিংথিনা তৌবা ঙমদ্রগা খোঙজং ঈহৌ চঙশিল্লিবশিংদা ওনশিল্লগা লো থুগায় হায়দুনা এক্ট সেক্সন কয়া পানশিন্দুনা মীয়ামগী খোঙজং, ঈহৌবু নমথনবা মমাঙঙৈদগী হৌনা লাকখি। ঙসিসু অদুমক চথরক্লিবা অসি খোঙজংলোই খক্কী নত্তনা ষ্টেট অসিগী ওইনা মাঙজবনি হায়বা খন্থবা ঙমদবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়রি।

লমদম অসিগী মীয়াম্না ঙসি সেন্সস তৌদ্রিঙৈদা এন আর সি হান্না তৌবীয়ু, আই দি পিশিং হান্না মশা মশাগী মরমদমদা হঞ্জিনহল্লগা অমদি খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ কাঙলূপশিং অমগা অমগা চঙথোক চঙশিন য়ান্নরবা তুংদা সেন্সস তৌবীয়ু হায়বা দিমান্দ অসি য়াম্না চুম্বা দিমান্দ অমনি হায়না কোকোমিনা লৌই। হায়রিবা খোঙজং অসি ঙসিগী লৈঙাকপশিংনা নিংথিনা তাবীবগী মহুৎতা মসিবু নমথনবা হোৎনরিবসি চুন্নিব্রা হায়বসি অমুক্তং তিন-য়োৎথরগা খন্থবা চুমগনি। লোয়ননা মসিদা খন্থবা ঙমদবা অঙম্বশিংনা হায়রকপা য়াথংতমক ঙাকপা মীয়াম অমদি লৈবাক অসিনা তুংদা করি ওইহৌরক্কদগে হায়বা ঙসিগী পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা খন্থবা চুমগনি হায়রি।

— মপাল্লমগী পাউ —

## ওদিষাদা কার্গো শিপ লূপ্পদা ২ কলহৌরে, ২২ থিবা খঙদনা লৈরি

**ভুবনেশ্বর, ওগষ্ট ২৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** বে ওফ বেঙ্গলদা পানামাগী ফিরাল থেৎপা কার্গোশিপ এম ভি ওসিন-লিন লূপখিবদা ক্র্যু মেম্বর ২ কলহৌরে, ২২ থিবা খঙদনা লৈরি। ওদিষাগী হিদাংফমদগী নোটিকেল মাইল ২৪০ লাপ্পা মফম অমদা কার্গো শিপ অদু লূপখিবনি। জহাজ অদুগী ওপরেটর ভিক্তরি ষ্টার গ্রুপ কম্পেনি লিমিটেদনা পাউ পীরকপদগী মেরিটাইম রেস্ক্যু কো-ওর্দিনেসন সেন্টরনা রেস্ক্যু ওপরেসন চথবা হৌখ্রে। থৌদোক থোকখিবা মফম অদুদা মার্চেল শিপ অমা থাজিনখিবগা লোয়ননা রেস্ক্যু ওপরেসন চথবদা ক্র্যু মেম্বর ২ কনবা ঙমখি। 'এক্স'তা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা ইষ্টর্ন নেভেল কম্মান্দনা হায়, ভিসাখাপটনমদগী নোংপোক্তা কিমি ৭০০ রোম লাপ্পা মফম অমদা ইন্দিয়ান নেভিগী এয়রক্রাফ্ট পি-৮১ শীজিন্নদুনা মেরিটাইম রেস্ক্যু কোওর্দিনেসন সেন্টরগা খূৎশম্নদুনা মী কনবগী থবক চথরি। হৌজিক ফাওবদা থিবা খঙদনা লৈরিবা ক্র্যু মেম্বর ২২ অদু ইন্দিয়ান নেভি অমসুং ইন্দিয়া কোষ্ট গার্দকী অপূনবা টিম অমনা খোঙ্গুল লীরি। কোষ্ট গার্দকী ওইনা আই সি জি এস বরাক অমসুং আই সি জি এস অলমোল্ড দিপ্লোই তৌখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ান নেভিগী মায়কৈদগী ভি-৮১ শীজিন্নদুনা মীওইশিং অদুগী খোঙ্গুল লীনবা হোৎনরি।

## য়ুক্রেননা খা থংবা রসিয়াদা দ্রোন এটেক চথরকপদা অঙাং অনি শিরে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** খা থংবা রসিয়াদা য়ুক্রেননা দ্রোন এটেক চথরকপদা অঙাং ২ শিখিবগা লোয়ননা মপা মমা শোক্লে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। রসিয়ানা য়ুক্রেনগী সোপ্পিং সেন্টর অমদা এটেক চথরুবগী লমন খূম্বা ওইনা দ্রোন এটেক চথরকপনি। রসিয়াগী তোঙান তোঙানবা ফেসিলিতিশিংদা লেপ্তুনা এটেক চথবগী শরুক অমা ওইনা ঈ-কম্মর্স রিটলর ওজোনগী ৱ্যেরহাউস অমদসু এটেক চথরকখি। খা থংবা রসিয়াগী ক্রাষ্টনোথর রিজনগী গভর্নর বেনিয়ামিন কোন্দ্রাটেপনা হায়, য়েক দিষ্ট্রিক্ততা লৈবা রেসিদিয়েসিয়েল এরিয়া কয়াদা য়ুক্রেননা দ্রোন এটেক মথং মথং চথরক্লি। সেন্ত্রেল সামারা রিজনদা য়ুক্রেননা দ্রোন এটেক চথরকপদনা মীওই ১ শিরে হায়না লোকেল গভর্নরনা ফোঙদোক্লি। মমাঙদা য়ুক্রেনিয়ন প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেস্কিগী পোক্লফম সিতিদা রসিয়ানা দ্রোন এটেক চথরকপদা মীওই ৯ থিবা খঙদনা লৈরি হায়রি।

## 'সূ' এব্রোগেট তৌনবা মৈতে এল্লাইয়েন্সনা জোইন্ট মোনিটরিং গ্রুপ্তা অইবা চেরোল পীদুনা তকশিনখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ঙাইহাক লৈতনা গ্রাউন্দ রুল থুগায়বগী ৱাফম অসিনা চুম্বা তারবদি কুকি খূৎলায় পায়বশিংগা খূৎয়েক পীনরিবা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সূ) এগ্রিমেন্ট এব্রোগেট তৌনবা মৈতে এল্লাইয়েন্সনা জোইন্ট মোনিটরিং গ্রুপ্তা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা তকশিনখ্রে।

চোইনা খুন্দারিবা মৈতৈশিংগী অপূনবা লূপ অমা ওইরিবা এল্লাইয়েন্স অসিনা রিজনেল, নেস্নেল অমসুং ইন্টরনেস্নেলগী থাক্তা মৈতে ফুরুপকী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌগৎপগা লোয়ননা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়হন্দনবা হোৎনদুনা লাক্লি।

এল্লাইয়েন্স অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, 'সূ' খূৎয়েক পীনখ্রবা কুকি মিলিটেন্টশিং দেজিগনেটেদ কেম্প থাদোক্তুনা খূৎলায় পায়রগা খূৎ থোক্নরিবা মফমশিংদা চৎথোক চৎশিন তৌরিব্রা হায়বদু জোইন্ট মোনিটরিং গ্রুপ্পা য়েংশিনবা মথৌ তাই। কুকি নেস্নেল ওর্গনাইজেসন (কে এন ও) অমসুং য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ)না কাদরশিং গ্রাউন্দ রুল ঙাক্তবগী তেকচাক লৌফম থোকই। 'সূ'দা লৈরিবা মিলিটেন্টশিংনা মীহাৎ-মীপূন চথবা, লন-থুম মুনবা অমসুং মী ফাবা মতমদা ইন্দিয়ান লোগী মখাদা ত্রাইয়েল চথরগা মতিক চাবা চৈরাক ফংহনগদবনি। খূৎলায় পায়বা কাদর খরনা কা হেনবা থৌওং চথরকপা মতমদা সেন্টর গভর্নমেন্টনা লোগী ওইবা মতিক চাবা থবক লৌখৎপগী তঙাইফন্দবা লৈ। 'সূ' খূৎয়েক পীনরিবা মিলিটেন্টশিংগী কাঙলূপ খরা মচেৎ তাখ্রগা মীয়ামদা অকি-তুজুংবা পোকহনবা য়াবা মওংদা থবক থৌরম কয়া লৌখৎলকপদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈফম থোক্তে হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

## 'এন আর সি অপদেট তৌহন্নবা য়েলহৌমীশিংগী দিমান্দদা লৈঙাক্লা তুমিন্না লৈশিনবা লাইবক থীবনি'

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** এন আর সি তৌদনা সেন্সস তৌবা য়ারোই হায়বা য়েলহৌমীশিংগী দিমান্দদা মণিপুর লৈঙাক্লা তুমিন্না লৈশিনবসি লাইবক থীবনি হায়না হান্নগী মিনিষ্টর একে মিরাবাইনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি কোংগ্রেসকী লূচিংবা হান্নগী মিনিষ্টর এ কে মিরাবাইগী পোক্লফম তৌবুংখোক্তগী হৌরক্তুনা নেস্নেল হায়ৱে -৩৭, ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা চৎখিবা মীয়ামগী রেল্লি অমদা শরুক য়ারদুনা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না মখা তানা হায়, এন আর সি তৌদনা সেন্সস তৌবা তারবদি মরিপুরগী য়েলহৌমীশিংগী পূন্সি করি ওইহৌগদগে হায়বসি মণিপুর লৈঙাক্লা খঙদুনা অথুবদা থবক লৌখৎকদবনি। মীয়াম্না তাল্লিবা দিমান্দা অসি লৈঙাক অসিনা খঙশিন্নদনা লৈথোকপসি লাইবক থীবনি। অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিশ্বা সর্মানা এন আর সি তৌগনি হায়না ফোঙনা লাউথোক্তুনা থবক পায়খৎপা ঙল্লগা করিগী ঐখোয়গী লৈঙাক্লা ফোঙনা লাউথোকপা ঙমদ্রিবনো। এন আর সিগী মতাংদা মমাঙদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী হাউসতা অনী পুথোক্তুনা ৱারেপ লৌখিবসু লৈরে হায়রবনিনা হৌজিক মীয়ামগী অপান্বগী মতুং ইন্না কেবিনেট মীফম ফমদুনা চপ চাবা ৱারেপ অমা লৌরগা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা খঙহন্দুনা থবক্তা ওন্থোক্কদবনি। লোয়ননা মহাক্কী ওইনদি লমদমসিগী য়েলহৌমীশিং কন্ননবা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিদা থৱায় থাবা কিদনা য়েলহৌমী মীয়ামগীদমক লেপকনি ফোঙদোকখি।

## বিরমঙ্গোল কোলেজ অমদি আই আই দি এমগী মরক্তা এম ও য়ু সাইন তৌনখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** নুমিৎ ৮ নি চথুগদবা মল্টি দিসিপ্লিন্নরি ইন্টরনেস্নেল সেমিনারগী ২শুবা থৌরম শওন্থুংদা লৈবা বিরমঙ্গোল কোলেজকী জিমনজিয়ম হোলদা পাঙথোকখ্রে। সেমিনার অদু বিরমঙ্গোল কোলেজ শওন্থুং, রিসার্ছ এন্দ দিভলপমেন্ট সেল, ইন্টিগ্রেটেদ ইন্সটিট্যুট ওফ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট তামিল নাদু, ককচি খুন্নৌ কোলেজ উমাথেল, সেন্ট জোসেফ কোলেজ ওফ আর্ট এন্দ সাইন্স ফোর ৱিমেন্স (এ) হোসুর তামিল নাদু অমদি ভিজি ভান্নিয়াপেরুমল কোলেজ ফোর ৱিমেন্স ভিলুধুনগর তামিল নাদুগা পূন্না খূৎশন্নদুনা পাঙথোকপনি।

'ইন্দিয়ান নোলেজ সিষ্টেম এন্দ কন্টেমপোরেরি সোসিয়েল চেল্লেঞ্জেসঃ ইন্দিজিনস ৱিসদম ফোর সষ্টেনেবল এন্দ ইনক্লুসিব গ্লোবেল দিভলপমেন্ট' হায়বা হিরমদা চথুগদবা নুমিৎ ৮ নিগী সেমিনারগী ২শুবা থৌরমদুদা সোফিয়া কোলেজ ফোর ৱিমেন্স মুম্বাইগী এসিষ্টেন্ট প্রোঃ ডা বিনিট রাজাদুরাই জেনা চীফ গেষ্ট, বিরমঙ্গোল কোলেজকী প্রিন্সিপাল ডাঃ কে ব্রজকুমার সিংহনা প্রসিদিয়ম অমদি তোঙান তোঙানবা ফেকল্টি কয়ানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা বিরমঙ্গোল কোলেজ অমদি আই আই দি এম অনীগী মরক্তা এম ও য়ু অমসু সাইন তৌনখি।

## লাইনিংথৌ শন্দোং অপানবগী লাইফম্দা লাইকোক চনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** থিনুঙ্গৈ উমং লাই দিভলপমেন্ট কম্মিটি এন্দ লাইনিংথৌ সনামহি থৌগল্লুপ থিনুঙ্গৈনা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দ হয়িং খোঙবাল উফোং য়ূম্ফমগা পূন্না খূৎশম্নদুনা ঙসি থিনুঙ্গৈদা লৈবা লাইনিংথৌ শন্দোং অপানবগী খুভম লৈরিবা লাইফমলেন অসিবু এল এস টি ভিনা মশক খঙবা লাইফমলেন ওইরে হায়না শকখঙ চে পীনবগী লাইকোক চনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দকী মেম্বর সেক্রেটরি সন্ধাম গান্ধরাজনা ফোঙদোকখিবদা থিনুঙ্গৈগী মায়কৈদগী লাইফমলেন অসি লাইকোক চনবীনবা চেক থারকপগী মতুং ইন্না লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দনা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা ঙসি লাইফম অসিবু এল এস টি বিনা মশক খঙবা লাইফমলেন অমা ওইরে হায়না শকখঙ চে খূৎশিন্নবা লাইকোক চনবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। লাইকোক চল্লবনিনা মখা তাবা লাইফম অসিবু ঙাক শেনবা, চহীগী মথৌ মঙম পাঙথোকপদা এল এস টি বিনা লাইফমলেন অসিবু শেন্নরিবশিংগা তান্নরগা থবক তৌমিন্নগনি হায়না ফোঙদোকখি।

## সেন্সসকী মমাঙদা এন আর সি তৌবগী ৱাফম কে জেদ সিনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মণিপুরগী ফুরুপ খরনা সেন্সসকী মাঙওইননা নেস্নেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স (এন আর সি) অপদেট তৌগদবনি হায়না পুখৎলকপা ৱাফম কুকি- জো কাউন্সিল (কে জেদ সি)না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

কাউন্সিল অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিতি সেক্রেট গিঞ্জা বুৱালজোংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ২০২১দা সেন্সস তৌগদবদা কোভিদ-১৯গী লায়চৎনা মরম ওইরগা য়ৈথোক্তুনা লাকখিবনি। লৈঙাক্লা হন্দক সেন্সস তৌগনি হায়না থৌরাং লৌখৎলক্লিবসি তরাম্না ওকই। সেন্সসকী মতুং ইন্না ষ্টেট অসিগী অপূনবা মীশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী চপ চাবা মশিং খঙবা ঙমগদৌরিবনি। এন আর সিগী মতাংদা চেরোল অসিনা হায়, অখন্নবা কাঙলূপ নৎত্রগা ষ্টেট অমখক্তগী তোখায়না এন আর সি পাঙথোকপা য়াদে। ষ্টেট লৈঙাক্লা মণিপুরগী তোখায়বা এন আর সি পাঙথোক্লবগী ৱারেপ লৌবা ঙমদে। নেস্নেলগী থাক্তা লৈবাক শীনবা থুংনা পাঙথোক্কদবনি। সেন্সসকী মমাঙদা এন আর সি হান্না তৌগদবনি হায়বা দিমান্দ অসি মরম চাবা ৱাৎলি। অসামদা ১৯৮৫ অসাম একোদতা য়ূম্ফম ওইরগা এন আর সি তৌখিবদা মীওই লাক্ষ ১৯ রোমগী মমিং য়াওরকখিদে। মদুগী মতাংদা হৌজিকসু কোর্টতা কেস লোইশিন্দনা লৈরি হায়রি।

## নুংতিগী সিরি থাক কাবনা হার্টকী ফীভম ফহল্লি, পূন্সি শাংহল্লি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ (ৱায়েল কাতি) ঃ** নুমিৎ খূদিংগী চাং নাইনা সিরি থাক কাখৎ-কুমথ তৌরবদি হার্টকী ফীভম ফহনবগা লোয়ননা মনুং মতম চাদনা শিগদবদগী ঙাকপা থোক্পা ঙম্মী হায়াল য়ুনাইটেদ কিংদমগী রিসার্ছরশিংনা থিজিনবদগী খঙবা ঙম্লে।

য়ুরোপিয়ন সোসাইটি ওফ কার্দিওলোজি (ই এস সি)গী মীফমদা পুথোরকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, য়ারিবমখৈ দোলাল কাখৎপদা লিফ্ট শীজিন্নবগী মহুৎতা সিরি থাক্তা ওইনা কাখৎকন্দবনি। সিরি থাক কাখৎপনা হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম পীবগা লোয়ননা হার্টকী লায়না ঙাকথোকপা ঙম্মী। য়ুনিভর্সিটি ওফ ইষ্ট এংলিয়া অমদি নোরৱিচ য়ুনিভর্সিটি হোস্পিটাল ফাউন্দেসনগী ট্রষ্ট ফেকল্টি মেম্বর ডা. সোফি পেদোক্লা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না, তোঙান তোঙানবা ষ্টদি ৯ নৈনদুনা য়েংবদা নুমিৎ খূদিংগী সিরি থাক কাবনা হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম পীবগী খূদম ময়েক শেংনা ফংলে।



মশাগী চহী ৩৫ দগীনা ৮৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওই ৪,৮০,৪৭৯না শরুক য়াখিবা ষ্টদি অমদা চাং নাইনা সিরি থাক কাবনা কার্দিওভাস্কুলর দিজিজকা মরী লৈননা শিবা য়াবগী রিস্ক চাদা ৩৯ হন্থরকই। হার্টকী ফিভম ফহনবগা লোয়ননা হার্ট এটেক, হার্ট ফেলিয়র, অমসুং ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াবগী রিস্ক হন্থহল্লি।

ফ্লোরিদাদা লৈবা মায়ামি কার্দিয়ার্ক এন্দ ভাস্কুলর ইন্সটিট্যুটকী প্রিভেন্টিভ কার্দিওলোজিষ্ট ডা.অদেপোনা মেদিকেল ন্যুজ টুদেদা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না, লম্বীদা ইচম চম্না খোঙনা চৎপদগী সিরি থাক-কাখৎ কুমথা তৌবনা হকচাংদা কান্নবা হেল্লি। সিরি থাক কাখৎপা অমসুং কুমথবা হায়বসি মীয়াম্না থৌশানদ্রবসু খ্বাইদগী ফবা হকচাং শাজেল মখল অমনি। মতম অমত্তদা হার্ট, লংস অমদি মশলগী মথৌ তৌহনবা মরমনা হকচাং পূম্বদা চাউনা কান্নবা ফংই।

মশচসেটসতা লৈবা টর্ফ য়ুনিভর্সিটি স্কুল ওফ মেদিসিনদা দিপার্টমেন্ট ওফ রিহেবিলিটেসন সাইন্সেস দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসার ওইনা লৈবা ওর্থোপেদিক্স স্পেসিয়েলিষ্ট ডাঃ এরিক জে হেগদসনা হায়, ফমজিন্দুনা লৈবগী মহুৎতা করিগুম্বা মখলগী হকচাং লেং ওৎপগী থবক অমা তৌবনা কান্নবা হেল্লি হায়বা তারগসু শাজেল মখল খূদিংমক্তগী সিরি থাক কাখৎ-কুমথ তৌবনা খ্বাইদগী কান্নবা হেল্লি। অতোপ্পা ষ্টদি অমগী রিপোর্ট মতুং ইন্না, নোংমদা সিরি থাক ৫০ কাখৎ-কুমথা তৌরগদি কার্দিওভাস্কুলর দিজিজ কী রিস্ক চাদা ২০ লোম হন্থহনবা ঙম্মী হায়রি। চাং নাইনা সিরি কাখৎ-কুমথ তৌবনা হার্টকী মথৌ নিংথিনা তৌহনবগা লোয়ননা ঈ উতোংশিংদা ফুঞ্জিল্লক্কদবশিংদগী ঙাকথোক্তুনা ষ্ট্রোক অমদি হার্ট এটেক্কী রিস্ক হন্থহল্লি।

এঠেরোসক্লেরোসিস জর্নেলদা ফোঙলকপগী রিপোর্টনা হায়,সিরি থাক কাখৎপনা হকচাংগী অরুম্বা হন্থহনবগা লোয়ননা হকচাং মনুংদা ইন্ফ্লেমেসন থোকহন্দে।

## কৈরাও এসিগী নোংপোক থংবা মায়কৈদা লৈরিবা খুলশিংদা সেন্সসকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং অথিংবা থম্লেঃ কোকোকো




**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ষ্টেট অসিগী অচৌবা ইশু অমা ওইরক্লিবা সেন্সসকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং থিংনবা ফিরেপ মায়কৈ কয়াদগী লাউথোক্লুরক্লে। মসিগী মনুংদা কোকোকো কৌবা অপূনবা ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিংগী লূপ অমনা কৈরাও এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী নোংপোক থংবা মায়কৈদা লৈরিবা খুলশিংদা সেন্সসকী ইন্যুমরেটর অমদি সুপরভাইজরশিং চঙলকপদা অথিংবা থমখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি অয়ূক ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চল্লিবা লংদুম মনিং লৈকায় কাংজৈবুংদা লৈবা কো-ওর্দিনেটিং কম্মিটি ওফ ক্লব এন্দ ওর্গনাইজেসন (কোকোকো)গী ওফিসতা পাউমীশিংগা উন্নবদা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট সমজেৎশাবম মেঘচন্দ্রনা লাউথোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লূপ অসিনা কোল্লিবা কৈরাও বিত্রা, লংদুম, খনরোক, চনম শন্দ্রোক, ৱাঙ্খেম, থিয়াম কোঞ্জিল, ফুনাল মরিং, উরান চিরু, ৱাইথৌ চিরু, লাইফরোক মরিং, অৱাং মরিং অমদি কাপুরশুং ভিল্লেতা লৈরিবা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়িশিং সেন্সসকা মরী লৈনবা ইন্যুমেরেটরি অমদি সুপরভাইজরগী ত্রেনিং চৎপা য়ারোই হায়খি। করিগুম্বা মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা থবক তৌরবদি অফ-ফত্তা মশা মশানা পুজগদবনি। লোয়ননা মীয়ামগী মায়োক্তা লৈরকপশিংদা চৈরাক পীনবা অথুবদা ৱারেপ লাউথোক্লগানি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, জে এফ দি অমদি মণিপুর মীয়াম্না সেন্সসকী মতাংদা খঙই। সেন্সস থিংবসু লৈতে। অদুবু ষ্টেট অসিগী ওইরিবা চরাংনবা ফীভম অসিদা মতম খরা য়ৈথোকপীদুনা নিয়ম চুম্না পাঙথোকপীনবা হায়জবনি। মরমদি নিয়ম কায়না সেন্সস পাঙথোকখ্রবদি মীতোপ মীয়ানচা কয়া মীকোক থীবদা য়াওশিনখিদুনা মণিপুরগী দেমোগ্রাফিদা অকায়বা কয়া অমা লাক্কনি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা জে এফ দিনা এন আর সি অপদেট তৌরবা মতুংদা সেন্সস তৌগদবনি হায়না খোঙজং চঙশিল্লিবনি। জে এফ দিনা চঙশিল্লিবা খোঙজং খূদিংমক্তা কোকোকো অমদি লূপ অসিনা কোল্লিবা খূন কয়াগী মীওইশিংনা অঙম্বা থাক্তা শৌগৎকনি। মসি খঙনা থবক তৌবীয়ু হায়খি।

